# রেন্সমৱ্যের ৱান্নক্রাই : চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা এ টি এম খরা থোঙ লোনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী):
রেন্সমৱ্যের 'ৱান্নক্রাই'না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অরিবা সোফটৱ্যেরনা চলাইবা ওটোমেটেদ টেলর মেছিন (এ টি এম) খরা থোঙ লোনশিনখ্রে।

সোর্ছ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, এ টি এম অয়াম্বা মথৌ নীংথিনা তৌরি। অদুম ওইনমক মাইক্রোফোফটকী ৱিন্দোজ ওপরেটিং সিষ্টেম অপদেট তৌদবা মেছিন খরদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবা লৈরি। মরম অদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অরিবা সোফটৱ্যেরনা চলাইবা অরিবা এ টি এমশিংদা শেল হাপচিন্দবগা লোয়ননা মথৌ লেপহনখিবনি।

অমরোমদা, রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা ৱান্নক্রাইনা ইনফেক্ট তৌরকপা য়াই হায়না মিপাইবা পোল্লবসু হৌজিক ফাওবা এ টি এম অমত্তদা অকায়বা থোকহল্লকপা লৈত্রি।

আর বি আইগী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়খি, রেন্সমৱ্যেরনা মরম ওইরগা এ টি এম অমত্তা থোঙ লোলহনবা লৈতে। করিগুম্বা এ টি এম খরা মথৌ লেপহনখিবা তারবসু শেল হাপ্তবা নৎত্রগা টেক্নিকেল অপগ্রেদ তৌবননি। চাং নাইনা এ টি এম মেছিন পুন্নমক অপগ্রেদ তৌবগী থৌরাং লৌখত্তুনা লাকখি। হৌজিক হৌজিকমকসু সাইবর এটেক্কী চৈথেং ঙাকথোক্নবা এ টি এম পূন্নমক অপগ্রেদ তৌবগী থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরি।

রেন্সমৱ্যেরগী এটেক ঙাকথোক্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা এ টি এম অয়াম্বা থোঙ লোনখিবনি। নুমিৎ অসিদা আর বি আইনা বেঙ্কশিংদা এ টি এম থোঙ লোনশিন্নবা গাইদ লাইন পীখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অদুবু স্পোক্সপার্সন অমনদি ঙসি ফাওবা আর বি আইনা বেঙ্কশিংদা এ টি এম থোঙ লোনশিন্নবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈতে হায়না শেংদোরকখি।

স্পোক্সপার্সন অদুনা হায়খি, হন্দক্তা পাউচেশিংদা ফোঙনরকখিবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা অনৌবা ভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা বেঙ্ক খূদিংমক্তা পাউতাক পীখিবা লৈ। অদুম ওইনমক এ টি এমশিং থোঙ লোনশিন্নবা অতম্না ফোঙদোকখিবা লৈতে।

প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা রেন্সমৱ্যেরনা লৈবাক অসিগী সিষ্টেম ১০০ রোমদা এটেক চত্থরকপা লৈখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি (দব্লিয়ু বি এস ঈ দি সী)গী ৱেষ্ট মিদনাপুরদা লৈবা লোকেসন মরিগী তোঙান তোঙানবা কম্প্যুটরশিংদা ৱান্নক্রাই রেন্সমৱ্যের সাইবর এটেক চত্থরকপা লৈখ্রে।

রেন্সমৱ্যেরনা নেটৱার্ক অমগী কম্প্যুটর সিষ্টেম কয়ামরুম খুদোংথিবা থোকহনবা ঙম্বা মরম্না কম্পনি অসিগী অতৈ অতোপ্পা কম্প্যুটর কয়ামরুমগী মথৌদা অপনবা থোকহনবা য়ানা লৈ।

দব্লিয়ু বি এস ঈ দি সীগী মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ব্লোক মরি-বেলদা, দটান, নরায়নগর অমদি কেসিয়ারিগী পার্সনেল কম্প্যুটর কয়ামরুম ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌরম্বা থেংনখ্রে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৫০ রোমগী কম্প্যুটর লাখ ১ রোম হেনবদা অপনবা থোকহনখ্রবা ৱান্নক্রাই হায়না খঙনবা ভাইরস অসিনা ইন্দিয়া য়ৌশিল্লক্লবা মরম্না লৈবাক অসিগী মরুওইবা কম্পনি কয়াগী থবক থৌরমদা অপনবা পীরকপা য়ানা লৈরে।

সেকেন্দ খরগী মনুংদা কম্প্যুটরগী দেটা কয়ামরুম লোক তৌশিনবা ঙম্বা ভাইরস অসিগী মতেং লৌরগা সাইবর ক্রাইম এটেক চত্থবা মীওই কাঙলূপ অমনা ইন্দিয়াগী মরুওইবা কম্পনিশিংদা রেন্সম তাল্লকপা য়াই হায়রি।

# পেলেষ্টাইন নীংতমহন্নবা থৌরাংদা ইন্দিয়ানা মপুং ফানা শৌগৎলি : মোদি



ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী) :
পেলেষ্টাইনগী থবক থৌরম খূদিংমক্তা ইন্দিয়ানা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক অসিদা কোয়রকখিবা পেলেষ্টাইন প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসতা ফোঙদোকখ্রে।

লূচিংবা অনী ৱারী শানরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা মনীং-মখা তম্বা অমসুং অপুনবা পেলেষ্টাইন অমা শেম্বগী মতাংদা চেৎনা থাজবা থমই। ইজরেলগা অফবা মরী থম্নদুনা ঈং-তপ্পা মওংদা পুন্না হিংমিন্নবা য়াগদবা মওংদা পেলেষ্টাইনগী নীংতম্বা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অথুবা মতমদা পেলেষ্টিনিয়ন অমদি ইজরেলি লূচিংবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানদুনা তুং কোয়না চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমদি পেলেষ্টাইনগী মরক্তা থম্নরিবা মরীগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা ইন্দিয়ানা নীংতম্নবগী ঈহৌ হৌরিঙৈদগী হৌনা লৈবাক অনী অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাকখি। হীরম খূদিংমক্তা ইন্দিয়ানা পেলেষ্টিনিয়ন মীয়ামগী থবক থৌরমদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মতুং তারকপদসু নাকল অনী অচেৎপা মরী থম্নবগা লোয়ননা নীংতম্বা পেলেষ্টাইন অমগী মঙলান শাগৎপা পামই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, পেলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসকা উনদুনা ৱেষ্ট এসিয়া অমদি মিদ্দল ইষ্টতা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা কুপ্না ৱারী শানখি।

ঈং-তপ্পা মওংদা পোলিটিকেল ওইবা ৱারী শানরগা ৱেষ্ট এসিয়াদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়বগী মতাংদা নাকল অনীনা মোত অমত্তা ওইনা য়ানখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ানা পেলেষ্টি-নিয়ন মীয়ামগীদমক ইন্টরনেসনেল ফোরমশিংদা লৌরিবা থৌদাং পুন্নমক অবাসনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মোদিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগা উনদুনা মিদ্দল ইষ্টতা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শানখিবগী থৌওংবুসু অবাসনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহমদ অবাসনা ইন্দিয়াদা থুংলখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা রাষ্ট্রপতি ভবন্দা তরাম্না ওকপগী থেরম অমা পাঙথোকখি।

# প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা সোনিয়া অমসুং রাহুল গান্ধীনা ওপোজিসন পার্টিশিংগা উনদুনা ৱারী শানগদৌরি



ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী) : কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসনগী মতিক চাবা মীরেপ অমা থাগৎনবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংগা ৱারী শানরগনি।

কোংগ্রেসকী লূচিংবা রন্দিব সুর্জেৱালানা পাউমীশিংদা হায়খি, য়েৎনবা য়াওদনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীরেপ অমা থাগৎনবা থৌরাং তৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ানবা হেক পুরকপগা মীরেপ ওইগদবা মীওই অদুগী মিং লাউথোক্কনি।

গভর্ণমেন্টনা অশোয়বা থৌরাং লৌখৎলকপা মতমদা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট অমদি ভাইস প্রসিদেন্টনা পাউতাক পীদুনা লমজিংগদবা মরম্না মতিক চাবা মীওই অমবু প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎপা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসকী মরুওইবা লূচিংবা অমা ওইরিবা প্রনব মুখর্জিনা প্রসিদেন্টকী থৌদাং মপুং ফানা লৌবা ঙম্বগীদমক পার্টিনা চাউথোকচবা পোকই হায়নসু সুর্জেৱালানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মহাত্মা গান্ধীগী মশুনুপা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী অপুনবা মীরেপ ওইরবা য়াই হায়না থাজনরিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মরুওইবা ওপোজিসন লীদরশিংগা ৱারী শানবা হৌরে। কোংগ্রেস প্রসি-দেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিষ্ট)কী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা ৱাফম অসিদা অয়াবা পীরক্লে। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনসু গোপালকৃষ্ণ গান্ধীদা শৌগৎকনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর ওইরম্বা গোপালকৃষ্ণনা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা থাগৎলবা য়াই হায়না থাজনরিবা গোপালকৃষ্ণ গান্ধী মহাত্মা গান্ধীগী ইতোন তোনবা মচানুপা দেবদাস গান্ধীগী মচানি। মহাক্কী মমা পোকপা মপুবোক্না ইন্দিয়াগী ইকোন কোনবা গভর্নর জেনরেল সী গোপালাচারিনি। কুমজা ১৯৪৫গী এপ্রিল ২২দা পোকখিবা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী সেন্ট ষ্টেফেন কোলেজদা ইংলিশ লিটরেচরদা মাষ্টরস দিগ্রী লোইশিনখি। কুমজা ১৯৬৮দা মহাক ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্বিস ফংদুনা তোঙান তোঙানবা ফম কয়া পায়রমই। কুমজা ১৯৮৫দগী কুমজা ১৯৮৭ ফাওবা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরি ওইরমই।

# অন্ধ্র প্রদেশ লেজিসলেচরনা জি এস টি বিল পাস তৌখ্রে



অমরাবতি, মে ১৬ (এজেন্সী) :
অন্ধ্র প্রদেশ লেজিসলেচরনা ঙসি গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) বিল পাস তৌখ্রে।

বিল অসি পাস তৌনবগীদমক অন্ধ্র প্রদেশ লেজিসলেচরগী অখন্নবা মীফম অমা কৌখিবনি। লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা বিল অসি পুখৎলদুনা ষ্টেটকী ফাইনান্স মিনিষ্টর য়ানামালা রামাকৃষ্ণুদুনা হায়খি, জি এস টিনা মরম ওইরগা টেক্স খোমগৎপগী থৌওং মওং মরিল চুমহনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙল্লগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা জি এস টি চৎনহনবা মতমদা চহীগী ওইনা অন্ধ্র প্রদেশনা লুপা ক্রোর ২,৬০০কী রেভিন্যু মাঙজগনি। অদুবু হায়রিবা শেনফম অদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (কম্পে-ন্সেসন টু ষ্টেটস) এক্ট, ২০১৭কী মখাদা শেমখিবা ফন্দদগী অমুক ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা পীরক্কনি।

জি এস টিনা অওনবা অমা পুরক্কুনা ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদুনা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন্না বিল অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া পুখৎলকখ্রে। ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা স্পিকরগী ফম্ফম মনাক্তা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা স্লোগান কয়া লাউদুনা বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রিল ০৬তা জি এস টিগা মরী লৈনবা বিল ৪ পাস তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা অনৌবা ইন্দাইরেক্ট টেক্স চৎনহন্নবগী লম্বী য়াৎপা হৌখ্রবনি।

বিলশিং অদু করিমত্তা শেমদোকপা তৌদনা রাজ্য সভানা অয়াবা পীখি। মমাঙদা লোক সভানা বিলশিং অসি পাস তৌবা লৈখ্রবনি। বিলশিং অদু প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌনবা থৌরাং লৌখৎলি। মদুগী মতুংদা ষ্টেটশিংনা তোখায়বা লেজিসলেসন অমা পাস তৌরগা ইন্দিয়া শীনবা থুংনা চপ মান্নবা জি এস টি চৎনহনগদবনি।

পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা বিল মরি অদুদি, সেন্ট্রেল গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (সী জি এস টি) বিল; ইন্টিগ্রেটেদ গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (আই জি এস টি) বিল; গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (কম্পেন্সেসন টু ষ্টেটস) বিল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (য়ু টি জি এস টি) বিলনি। জি এস টি বিলশিং পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্না শৌগৎখিবতা নৎতনা ষ্টেট খুদিংমক্লসু মোত অমত্তা ওইনা অয়াবা পীরে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা, জি এস টি কাউন্সিল, জি এস টি নেটৱার্ক অমসুং জি এস টি রেটকী মতাংদা লৈখায় তাদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। শীংথানিংঙাই ওইরবা টেক্স রিফোর্ম বিল অসি চৎনহন্নবা হোৎনবদা বি জে পিনা মনা লৌনবা থৌরাং তৌরে হায়না রাজ্য সভাগী মেম্বর খরনা ফোঙদোকখি।

জি এস টি কাউন্সিলদা মতিক ময়াই পুন্নমক শীন্নবগী থৌওং য়ানিংদে। জি এস টি কাউন্সিলদা পুখৎলকপা প্রপোজেল খুদিংমক পার্লিয়ামেন্টতসু পুখৎতুনা খন্নবা মথৌ তাই। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি জি এস টি কাউন্সিলনা লৌবা ৱারেপ্পা অরোইবা ৱারেপ ওইগদবনা পার্লিয়ামেন্টকী মতিক ময়াই হন্থহল্লে হায়না সী পি আই (এম)গী সিতারাম য়েচুরিনা ফোঙদোকখি।

# লুহোংবদা ঙাইরিবী নুপী অমা হাৎলগা মকক মকক ককথৎলম্লে

মুম্বাই, মে ১৬ (এজেন্সী) :
মুম্বাইদা লুহোংবা নুমিৎ ৪নিদা ঙাইরিবী নুপী অমা মপুরোইবা অমদি মকু-মনেমনা হাৎতোক্লম্লে।

মমাঙ চয়োলদা মুম্বাইগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈখিদ্রবী প্রিয়াঙ্কা সিদেশ গৌরব কৌবী নুপী অদুগী হকচাংগী শরুক কয়া হুন্দোক্লম্বা থেংনখি। থানেগী শাহপুর-নাসিক রোদতা প্রিয়াঙ্কাগী অককপা মকোক অদু প্লাষ্টিক্না য়োমশিল্লবা মতুংদা মোম্পাক ফিদক অমনা নীংথিনা কুপশিল্লগা উমং অমগী মনাক্তা হুন্দোক্লম্বা থেংনখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা চিংনবা মীওই মঙা ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদুদি প্রিয়াঙ্কাগী মপুরোইবা সিদেশ (২৫), মকুবোক মনোহর সিতারাম গৌরব (৫০), মনেম্পোক মাধুরি (৪৮), দুগেশ পতৱা (মমান্নবা) অমদিপ্রদিপ জ্যেন (মমান্নবা)নি। পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদগী হৌনা প্রিয়াঙ্কা হাৎনবগী মতাংদা লৌতুনরম্বগী খুদম ফংবা ঙম্লে।

পুলিসকী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মশাগী চহী ২৩ শুরবী প্রিয়াঙ্কাবু মমৌ ওইবা পামদবদগী সিদেশগী মপানা লুহোংদ্রিঙৈদগী হৌনা হাৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। এপ্রিল ৩০দা লুহোংখ্রবা মতুংদা নুপী অদু হাৎনবগী থৌরাং চপ চানা লৌখৎনবা হোৎনখি।

মমাঙদা সিদেশনা লুহোংবগী ৱাফম অয়াবা পীরকখিদে হায়না পুলিসতা প্রিয়াঙ্কানা ৱাকৎলম্বা লৈখি। সিদেশ মশামক্লসু প্রিয়াঙ্কাবু মহাক্কী লোয়নবী ওইনা লুহোংবা পামখিদবগা লোয়ননা মমা-মপাগী অপাম্বা মতুং ইন্না নুপী অদু হাৎনবা মাঙজৌননা লৌতুনখি।

প্রিয়াঙ্কা হাৎনবগীদমক সিদেশকী ইমুং-মনুংনা দুগেশ কৌবা লৈতেংগী পোৎলম য়োনবা মীওই অমদা লুপা লীশিং ৪০ এদভান্স ওইনা পীখি। প্রিয়াঙ্কা হাৎলবা মতুংদা অৱাৎপা শেনফম লুপা লাখ ১ পীগনি হায়নসু ফোঙদোকপা লৈখি।

# লালু প্রসাদকা মরী লৈনবা কম্পনিশিংদা রেইদ চত্থখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী) :
নিতিশ কুমারগা মরী লৈনবা বিহার গভর্ণমেন্টকী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা ইনকম টেক্স দিপার্ট-মেন্টনা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লূচিংবা লালু প্রসাদ যাদবকা মরী লৈনবা কম্পনিশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না দিল্লি অমসুং গুরগ্রামদা লৈবা লালু প্রসাদকা মরী লৈনবা মফম অমসুং কম্পনি ২২দা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখিবনি হায়রি। লুপা ক্রোর ১০০০ রোমগী বেনামি লেন্দ দিলগা মরী লৈননা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখিবনি।

বি জে পিনা আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদ যাদব, মহাক্কী মচানুপী মিসা ভারতি অমসুং মচানুপা অনীগী মথক্তা শেঙ্গা থুমজাগী মরাল শীরকখ্রবা মতুংদা ইনকম টেক্সকী থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদ যাদবকী মচানুপী মিসা ভারতিদা মণি লোন্দরিংগা মরী লৈননা শীরকখিবা মরাল পুন্নমক য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না লালু প্রসাদনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।



রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা মিসা ভারতিদা শেমজিন শাজিনবা মরাল পীশিন্দুনা ইমুং-মনুং অমদি পার্টিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে। টেলিভিজন চেনেল অমনা লালু প্রসাদ যাদব অমদি মহাক্কী মচাশিংগী মথক্তা মণি লোন্দরিংগী মরাল শীবা রিপোর্ট অমা ফোঙলকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী সিনিয়ার লিদর সুশিল কুমার মোদিনসু মতম অমদা লালু প্রসাদনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা শেল-থুম লান্না শীজিন্নখি হায়না মরাল শীরকখিবনি।

মমাঙ চয়োলদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খি মদুদি, হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা মথৌ তাই। লালু প্রসাদ যাদবনা য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা অরানবা থৌওং চত্থখিবা মরম্না দিল্লিদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ট্রাঞ্জেক্সনগী মতাংদা থিগৎকদবনি।

চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা লূচিংবা বিহারগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা আর জে দিসু মরুওইবা মপাং অমা ওইনা য়াওরি। লালুগী মচানুপা তেজাস্বি যাদব অমদি তেজ প্রতাপ যাদব মিনিষ্টর ওইরি। মরম অদুনা বিহার গভর্ণমেন্টনা লালু প্রসাদ চেন্নবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়না রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

লালুগী মচানুপী মিসা ভারতিনা রাজ্য সভাগী মীখল থেংনরমদাইদা মশাগী লন-থুম ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিদে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোকখি।

# মারুতি সুজুকিগী অনৌবা দিজায়র সিদান লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কার পুথোকপা কম্পনি ওইরিবা মারুতি সুজুকিনা ঙসি অনৌবা দিজায়র সিদান লোঞ্চ তৌখ্রে।

অনৌবা মোদেল অসিদা হান্নগী অরিবা মোদেলগা মান্নদবা ফিচর কয়ামরুম হাপচিল্লকখি। খরদং পল্লবদা এল ঈ দি প্রোজেক্টর হেদ লেম্প, দি আর এল, রিভর্স পার্কিং সেন্সর, রিভর্স পার্কিং কেমেরা, নেভিগেসন সপ্পোর্ট অমদি ভাইস কম্মান্দ য়াওবা স্মার্ট প্লে ইনফোটেনমেন্ট সিষ্টেম, স্মার্ট কিগা লোয়নবা ষ্টার্ট/ষ্টোপ পুস বট্টন, ওটো হেদলেম্প, রিয়ার এ সী ভেন্টস অমসুং এদজষ্টেবল ও আর ভী এম অসিনচিংবনি।

অনৌবা দিজায়র মোদেল পুথোরকপগা লোয়ননা মারুতি সুজুকিনা লম অসিদা খ্বাইদগী মাঙজিল থানবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি। হোন্দা অমেজ, হ্যুন্দাই এক্সেন্ট অমদি ফোর্দ ফিগো এস্পায়রনচিংবগা লম্বা পানবগীদমক অনৌবা দিজায়র পুথোরকপনি।

/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3851/6/05-04/06

# দিমোনেটাইজেসন্না মরম ওইরগা টেক্স থীবগী চাং ৱাংখৎলক্লে : জেটলি

ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী) :
দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা পার্সনেল ইনকম টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌবগী চাং ৱাংখৎলকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, অরানবা মওংদা শেল কা হেন্না লোৎশিন্দুনা থম্বা অমসুং টেক্স থীদবগী থৌওং কুইনা চৎনবা য়ারোই হায়বা খঙনরকপদগী মীয়াম্না টেক্স থীবগী চাং ৱাংখৎলকখিবনি।

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি দি টি)কী চ্যেরমেননসু দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা শেনফম কয়া পুথোরকপদগী তঙাইফদনা টেক্স থীবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মহাক্না হায়খি, দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা অনৌবা মীওই লাখ ৯১না টেক্স থীরকখি অমসুং মীওই ক্রোর ৩০ হেনবনা পার্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) লৌখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি রজিব মেহরিসিনা হায়খ্রে মদুদি, দিমোনেটাই-জেসন্না মরম ওইরগা মাওইষ্ট লালহৌবশিংদা শেল চাউনা থাদবগী থৌওং থিংবা ঙম্লে।



ফন্দ মতিক চানা লৈতবদগী মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা অনৌবা লাল্লোং অমা চত্থদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতগী খুৎলাই মুনবা হৌরক্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা পীখিবা নুমিৎ ৫০ নিগী ৱিন্দো পেরিয়দ মনুংদা টেক্স থীদবা শেনফম কয়ামরুম বেঙ্কতা থমজিল্লকপা থেংনখ্রবনি।

হান্নগী অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়ানা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা ব্লেক মনি অয়াম্বা বেঙ্কতা থমজিল্লকখি। মীওই অমনা হাংদোকপা তোঙান-তোঙানবা একাউন্টশিংদা শেল মচিৎ-মচিৎ থমজিল্লকপগী থৌওংসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা খঙবা ঙমখি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা বেঙ্ক পুন্নমক্তা লুপা ক্রোর ১০,৭০০ হেন্না থমজিল্লকপা থেংনখি হায়না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। কোওপরেটিব বেঙ্কশিংগী তোঙান-তোঙানবা একাউন্টশিংদা থমজিল্লকপা লুপা ক্রোর ১৬,০০০ কী মতাংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি। রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিংদা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ হেন্না থমজিল্লকপসু থেংনখি।

নবেম্বর ৮ দা গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা লৈরিবা বেঙ্কশিংদা মীয়াম্না শেল থমজিল্লকপগী মতাংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা অকুপ্পা পাউ লৌদুনা লাকখি। মতম শাংনা শীজিন্নদনা লৈরকখিবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা ইখঙ খঙহৌদনা লুপা ক্রোর ২৫,০০০ থমজিল্লকপগী থৌদোক থেংনখি।

অমরোমদা, দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা গাড়ী লৈবা-য়োনবগী চাং হন্থরকপা লৈখ্রে। সোসাইটি ওফ ইন্দিয়ন ওটোমোবাইল মেন্যুফেকচরর (এস আই এ এম)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা স্কুটর, মোটোর সাইকল অমদি কার য়োনবগী চাং চাদা ১৮.৬৬ কী চাংদা হন্থরকখি। কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা গাড়ী ১৫,০২,৩১৪ য়োনখি। অদুবু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদদি গাড়ী ১২,২১,৯২৯ দগী হেন্না য়োনবা ঙমখিদে। মতৌ অসুম্না গাড়ী য়োনবগী চাং চাদা ১৮.৬৬ হন্থরকখি। কুমজা ২০০০গী দিসেম্বর মতুং তারকপদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী হন্থবা চাংদা গাড়ী য়োনবগী থৌওং ওইরি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা দোমেষ্টিক কার ১,৫৮,৬১৭ য়োনবা ঙমখি। কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদদি কার ১,৭২,৬৭১ য়োনবা ঙমখিবনি। মতৌ অসুম্না চাদা ৮.১৪গী চাংদা কার য়োনবগী চাং হন্থরকখি। পেসেঞ্জর ভেহিকলগী ওইনসু হৌখিবা দিসেম্বর থাদা য়ুনিট ২,২৭,৮২৪ য়োন্দুনা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরগা য়েংনবদা চাদা ১.৩৬ কী চাংদা হন্থরকখি।